# বেলজিয়ম অমদি দেনমার্কনা মখোয়-মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা য়ুরো ফুটবোলগী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে



কোপেনহেগেন, জুন ২২ (এজেন্সী): য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লৈবাকশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী গ্রুপ বিগী ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা শান্নখিবা মেটচশিংদা বেলজিয়ম অমসুং দেনমার্কনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিদগী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা দেনমার্ককী সিটি কোপেনহেগেনদা লৈবা পার্কেন ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু দেনমার্ক অমসুং রসিয়াগা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অহুমশুবা রাউন্দদা দেনমার্কনা পাঞ্জল ৪-১দা থোইরগা টিম অদু নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটরসবর্গতা শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বেলজিয়মনা ফিনলেন্দবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরগা মখোয়সু নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, বেলজিয়ম মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অনীমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈখিবনি। অমরোমদা, ফিনলেন্দ মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা মেটচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা লৈখি। বেলজিয়ম অমসুং ফিনলেন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি। মাংজৌননা বেলজিয়ম নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রবসু ফিনলেন্দনা মেটচ অদুদা মায় পাকপা ঙল্লবদি মখোয়সু নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবগী খূদোংচাবা লৈবনা মখোয়সু য়াম্না কন্না মায় পাক্লবা হোৎনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২০ চঙশিল্লকপদা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকুনা অহানবা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা মাঙজখি। মদুগী মতুং মখা তানা বেলজিয়মনা চথুখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা ফিনলেন্দগী দিফেন্দর লুকাসতগী খেৎলগা চঙখিবা গোল অদুনা বেলজিয়মগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইহনখি। শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা মখা তানা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী কেবিন দি ব্রুননা পীরকপা বোল অমদা রোমেলু লুকাকুনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ফিনলেন্দবু মখোয়না মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা দেনমার্কনা য়ূম্বু ওইরগা রসিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদা অয়াম্বা শরুক দেনমার্ককী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চনবা ঙমখি। ৩৮শুবা মিনটতা দেনমার্ককী মিকেল দমসগার্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা দেনমার্ককী য়ুসুপ পোলসেন্টনা অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনখি। ৭০শুবা মিনটতা রসিয়াগী মায়কৈদগী অর্টেম দ্যুবানা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৯শুবা অমসুং ৮২শুবা মিনটতা এন্দ্রিয়াস অমসুং জোকিমনা পাঞ্জল ২ চনখিবা অদুনা দেনমার্ক ৪-১দা মায় পাকখি।

# অর্জেন্টিনানা পারাগুৱেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে, উরুগুৱে অমসুং চিলি পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখ্রে



ব্রাসিলা, জুন ২২ (এজেন্সী): ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা সাউথ অমেরিকাগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোলগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচশিংদা অর্জেন্টিনানা পারাগুৱেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা উরুগুৱেনা চিলিগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখ্রে।

ব্রাজিলগী কোনুং ব্রসিলাদা লৈবা নেসনল ষ্টেদিয়মদা অর্জেন্টিনা অমসুং পারাগুৱে লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, অর্জেন্টিনাগী টিম গ্রুপ এদা হান্না শান্নখিবা মেটচ অনীদা ১ মায় পাক্লগা মেটচ অমা দ্রো চংতুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা পারাগুৱে মেটচ অমখক শান্নখিবদা মায় পাকপদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখি। ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ১০শুবা মিনটতা পারাগুৱেগী মায়কৈদা অর্জেন্টিনানা চথুখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এঞ্জেল দিমারিয়ানা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট অলিজান্দ্রো গোমেজনা পাঞ্জল চন্দুনা পারাগুৱেবু অর্জেন্টিনানা ১-০দা মাঙজিলথারগা লৈখি। মখা চথুরকপা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পারাগুৱেগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিনবা ঙমখ্রবসু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী ঙসিগী মেটচ অদু মায় পাক্লবদি মখা তারকপা গ্রুপ এগী মেটচশিংদা খূদোংচাবা ফংহৌদ্রবদি কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবদা অৱাবা অমা লৈগনি খঙবনা এটেক হেন্না চথুখি। অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা শরুক অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তাবা অমত্তা চনবা ঙমদনা মেটচ অদু ১-০দা মায় পাক্লুনা গ্রুপ এদা পোইন্ট ৭ ফংবগা লোয়ননা নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

কোপা অমেরিকাগী ওইনা গ্রুপ অনীদা টিম ১০না লম্বা তৌনরিবা অসিদা মকোক থোংবা টিম মরি নোক আউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। ঙসি ব্রাজিলগী পন্টানাল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চিলি অমসুং উরুগুৱে লম্বা তৌনবদা উরুগুৱেগী মায়োক্তা চিলিগী এদ্বার্দো ভর্গাজনা টিমমেট বেন ব্রেরেটোননা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা উরুগুৱেবু চিলিনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা উরুগুৱেগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা চিলিগী বিদালদগী খেৎলগা চঙখিবা বোলনা মেটচ অদু ১-১দা দ্রো চংখি।

# য়ু এস এগী এথলিট ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন দোনাভন ব্রাজিয়র ওলিম্পিক্সকী লম্বেলদা অপনবা পীখ্রে




ন্যু য়োর্ক, জুন ২২ (এজেন্সী): য়ু এস এগী এথলিট অমদি মমাংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা দোনাভন ব্রাজিয়রনা নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়ানবগীদমক পাঙথোকপা য়ু এস ট্রায়ল চেম্পিয়নশিপতা পর্ফোর্মেন্স ফজদবদগী টোকিও ওলিম্পিক্সকী থমখিবা মঙলান অদু কায়রে।

মশাগী চহী ২৪শুরবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি য়ু এস এগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবা দোনাভন ব্রাজিয়রনা য়ু এস এগী সিটি য়ুজিনদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী এথলিটশিংগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সনদা মিটর ৪০০গী নুপাগী লমজেল অদুদা মিনট ১:৪৭.৮৮দা চেন্দুনা খ্বাইদগী মমৈ তাখি। কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা য়ু এস এগী অতোপ্পা এথলিট ক্লেটোন মার্ফিনা য়ু এস ট্রায়ল অদুদা নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা মিনট ১:৪৩.১৭দা চেন্দুনা মকোক থোংলগা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মহাক্কী মতুংদা ইসায়া জেৱেকনা মিনট ১:৪৩.৮৫ চেল্লগা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। য়ু এস ওলিম্পিক ট্রায়ল অদুদা নুপাগী পোল ভোল্টর সাম কেন্দ্রিক্সনা মিটর ৫.৯ চোঙদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা খৃষ্ট নিলসনসু ওলিম্পিককী ক্বালিফায়িং মার্ক য়ৌদুনা শান্নবা য়াওগদৌরি।

# হরয়ানা লৈঙাক্কা এথলিট সুনিতা কশ্যাপতা মতেং পীগদৌরি

চান্দিগর, জুন ২২ (এজেন্সী): হরয়ানা স্পোর্টস দিভলপমেন্টগী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুগী ৱেথ লিফটিং অমদি ইনর্জি লিফটিংগী এথলিট ওইরিবী মালেম্না মশক খঙলবী সুনিতা কশ্যাপকীদমক্তা মতেং পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সুনিতা কশ্যাপ মালেমগী ৱেথ লিফটিং অমদি ইনর্জি লিফটিংগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরবা মতুং তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীরক্তবা মরম্না মশাগী শেন্দান লম্বী ওইনা য়ুমথোঙ খূদিং চৎলগা থবক শূরগা শেল তানবগী থবক চথুরি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈদা সুনিতা কশ্যাপকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হরয়ানা লৈঙাক্তা মহাক্কী মতেং পীবীনবা ফোঙদোকপা লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক মখা তানা শান্নবগী লম্দা অহেনবা খোঙফম থম্নবা হোৎনবীয়ু হায়খিবনি।

সুনিতাগী ৱারোল অসি সোসল মীদিয়া অমদি মফম অদুগী পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী তোঙান-তোঙানবা সোসল ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পীবা হৌরকখি। খোঙথাং অসি লৈরকপদগী হরয়ানাগী এম এল এ বলরাজ কুন্দুনা অহানবা ওইনা সুনিতাগী শান্নবগী পোৎলমশিং লৈননবা লুপা লাখ ৩.৫ পীগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা থাগী ওইনা মহাক্কী চান-থক্লবগী মতেংগীদমক লুপা লিশিং ১০ পীগনি হায়খি। মখা তানা হরয়ানা লৈঙাক্না মহাক্কী মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরক্লি।

# নোর্থ কোরিয়া ৱিদ্রো তৌখিবদগী ফ্রান্সনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা নুপীগী টি টি য়াওরগনি



পেরিস, জুন ২২ (এজেন্সী): চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী জপাননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্ক-দৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নোর্থ কোরিয়াগী লৈঙাক্না লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অমত্তা শরুক য়াররোইহায়না ৱিদ্রো তৌখিবা মরম্না নুপীগী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনগী টিমগী ওইবা মায়কৈদা ফ্রান্সনা মহুৎ শিল্লগা শরুক য়াগনি।

নীংশিংবা য়াবদি, নোর্থ কোরিয়া লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লৈরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অমত্তা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াররোই হায়বগী ৱারেপ লৌখ্রবনি। ৱারেপ অদুনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম ইভেন্টতা মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবা ফ্রান্সকী টিমনা নোর্থ কোরিয়ানা ৱিদ্রো তৌখিবা অদুগী খূদোংচাবা ফংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবগী তাঞ্জা ফংখি।

ফ্রেঞ্চ নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী নুপীগী টেবল টেন্নিস টিমগী শান্নরোয় জিয়া নান অমদি প্রিথিকা পাবাদে অমসুং ষ্টেফেনি লোলেটনা লৈবাক অদুগী মহুৎ শিন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী টেবল টেন্নিস টিমদা শরুক য়াগনি হায়রি।

# ফিফা ২০২২ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টিকেট মথং চহীগী জন্যুৱারীদগী য়োনবা হৌরগনি

জ্যুরিক, জুন ২২ (এজেন্সী): ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী ওইনা টিকেট য়োনবগী থবক থৌরমশিং অদু কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগনি হায়না য়ূম্বু ওইরিবা কটারগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কটারগী প্রাইম মিনিষ্টর শেখ খালিদনা মীদিয়াদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অদুনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২গী তোঙান-তোঙানবা মেটচশিং অদু মীৎয়েং তাগদৌরিবা কটারগী ভাবোকশিং অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ভাবোকশিংগী ওইনা টিকেট য়োনবগী থবক অদু কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদগী হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মমাংদা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ওইনা টিকেট য়োনবগী থবক থৌরমশিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অদুগী জুন থাদগী টিকেট য়োনবা হৌনবনি। অদুবু কটারনা য়ূম্বু ওইরগা কুমজা ২০২২গী নবেম্বর ২১দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনদি চহী অদুগী জন্যুৱারী থাদগী টিকেট য়োনবা হৌনবগী শেম শাবা লোইখ্রে হায়রি।

কটারগী প্রাইম মিনিষ্টর খালিদনা মখা তারদুনা লৈবাক অদুদা লাক্কদৌরিবা ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন লাখ ১০ খাক্তুনা থম্লে হায়রি। কটারগী মায়কৈদগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ অসি মালেমগী ওইনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী মনুংদা অশোয়-অঙাম য়াওদনবগীদমক্তা মীৎয়েং তাবা লাক্কদৌরিবা ভাবোকশিংগীদমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ভেক্সিনশিং অসি খাক্লি হায়রি।

# হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো য়াওনা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসলশিংনা নিলাকান্তা অমসুং সুশিলাগী য়ুমদা য়াইফ থৌনীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা কুম্ভ ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোয় অনী হোক্কীগী লম্দা খন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা অদুগা মরী লৈননা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম অমসুং মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বাসুদেবনা নুপাগী শান্নরোয় শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মা অমসুং পুখ্রম্বম সুশিলা চনুগী য়ুমদা চৎতুনা শান্নরোয় অনীগী য়াইফ থৌনীখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপাগী হোক্কী অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থম্লিবনি। মসিগী মরক্তা নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী টিমগী তোঙান-তোঙানবা কোচশিংনা হান্নদগী খনগৎতুনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা নিলাকান্তা শর্ম্মা অমসুং সুশিলা চনু য়াওরকপদা য়াম্না নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুর মচা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম অমসুং মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা বাসুদেবনা লুচিংদুনা অতোপ্পা ওফিসলশিংগা লোয়ননা শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মাগী য়ুমদা চৎতুনা শান্নরোয় অসিনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙম্বগী নুংঙাইবা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মহাক্না টিমগী ওইনা মায় পাকপা ঙম্নবা য়াইফ থৌনীখি।



হোক্কীগী ওফিসলশিং অদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমদা মতম শাংনা শরুক য়ারক্লবী অদুগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতসু শান্নগদৌরিবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনুগী য়ুমদসু চৎতুনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অপোকপা অমসুং অপোকপীদা শান্নরোয় অসিনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকপা মতমদা অফবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ওইরসনু হায়বগী য়াইফ থৌনীখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা হোক্কীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম অমসুং মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট বাসুদেব য়াওনা শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মগী য়ুমদা লাক্তুনা মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগা উনদুনা য়াইফ থৌনীখিবা অদুগীদমক কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা য়ুঠ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা জপান অমসুং আই ও সীগা খন্ন-নৈনগদৌরি

জেনেভা, জুন ২২ (এজেন্সী): মালেমগী হকশেলগী হীরমদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা জুলাই ২৩দগী জপাননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকা মরী লৈননা কোভিদ-১৯গী লৈরিবা চৈথেং অসিগী মতাংদা জপান লৈঙাক অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগা পূন্না খন্ন-নৈনরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ইমর্জেন্সি প্রোগ্রামগী মকোক ওইরিবা মাইক রায়ননা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না জপানদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং হন্থরকপা অসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিংনা লাকপদা খূদোংচাবগী পরম অমদি লৈরি। অদুবু মখোয়না টোকিওদা শান্নবগী মতমদা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী মীওইশিংগা তোৎন-তিন্নবগী মতাংদা অকক্লবা কাঙলোন কয়া অমা থম্নবা জপান লৈঙাক্না শেম্লিবা অদুগা মান্ননা অমদি অহেনবা মওংদা ফগৎনবগীদমক খন্ন-নৈনগদৌরিবনি।

জপান লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোকখিবদা, টোকিও ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিংদা মীরমগী ভাবোকশিং অমত্তা মীৎয়েং তাবা য়াহন্দ্রবসু জপান মচাশিংগী ওইনা য়ামদ্রবদা ভাবোক লিশিং ১০ মীৎয়েং তাহনবা য়াগদৌরি।

মাইক রায়ননা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা ভাবোকশিংদা কোভিদ-১৯গী লৈরিবা চৈথেং অসি অহেনবা মওংদা চৈথেং পীদনবা হোৎননবগীদমক্তা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং জপান লৈঙাক্কা পূন্না ৱারী শাননবগী তাঞ্জা অমা লৌবনি হায়রি। দব্লিয়ু ঐচ ওনা মখা তানা ওলিম্পিক গেমস অসিদা কোভিদ-১৯গী রিস্ক নেমহন্নবগীদমক্তা থবক পায়খৎকনি হায়রি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টতা মীচঙ মীখায় নাইবগী থৌদোক অমত্তা লৈহনবা য়ারোই : রিজিজু

ন্যু দেল্লী, জুন ২২ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মায়োক্লরিবা মরক অসিদা জপাননা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টতা মীচঙ মীখায় নাইবগী মওংদা অকক্লবা থবক থৌরম পায়খৎলকপগী মায়োক্তা লৈগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।





জপানগী লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভনা মরম ওইরগা থেংনরিবা চৈথেংশিং অদুগী মনুং চন্না লৈবাক অদুনা য়ূম্বু ওইরগা টোকিওদা জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক ১০গী শান্নরোয়শিংগী মথক্তা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মান্নদবা মওংদা অহেনবা অথিংবা (চেকশিন থৌরাং)গী কাঙলোন পীরকপা অসি মীচঙ মীখায় নাইবগী মওং ওইবা য়ারোই হায়না কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবনি। হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্লিবা শান্নরোয়শিংগা লেং মান্ননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবুসু মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসননসু হায়রিবা হীরম অসিগা মরী লৈননা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংদা অইবা চেরোল পীখ্রবনি। জপান লৈঙাক্না থম্লকখিবা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মনুংদা ইন্দিয়া অমদি অতোপ্পা লৈবাক ১০দনা কোভিদ-১৯গী কেস ৱাংলি হায়দুনা অথিংবা থম্লগা অতোপ্পা লৈবাকশিংদনা কোমথোকপা অসি য়ানিংদে হায়খি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 148

**Jonathan David Tisdall - Graham Lee**
**London, 1981**



1.d4 e6 2.e4 c5 3.Nf3 cxd4
4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Bb4 6.e5 Ne4
7.Qg4 Nxc3 8.Qxg7 Rf8 9.a3 Nb5+
10.axb4 Nxd4 11.Bd3 Qb6 12.Bg5 Nf5
13.Bxf5 exf5 14.O-O-O...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 147 Ans. :**
10. ...Qe7 11.Qxh7+The white queen decoys Black's king. Kxh7 12.Nxf6+Double checkKh6 13.Neg4+ Kg5 14.f4+
14. h4+ Kf4 15.g3+
15. Ne5 Qb4+ 16.c3
16. Kd1 gxf6 17. g3#David and Goliath mate
16. Ke2 gxf6 17. g3#David and Goliath mate
16. ...gxf6 17. g3#David and Goliath mate
15. ...Kf3 16. O-O
16. Kf1 gxf6 17. Nh2#
16. ...gxf6 17. Nh2#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com